পোলেন্দগী ইন্টর্নেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা লাইশ্রম সরিতা অমসুং মেরি কোম সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

গ্লিৱিস, সেপ্তেম্বর ১৩(এজেন্সী)ঃ পোললেন্দদা পাঙথোকপা ১৩শুবা ইন্টর্নেসনল সিলিসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮দা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী মমিং লৈরা নুপীগী বোক্সর মণিপুরদগী হৌখিবী লাইশ্রম সরিতা দেবী অমসুং এম সি মেরি কোম মখোয়-মখোয়গী বাউটশিং মায়পাক্লুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর অনীনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবদগী য়ামদ্রবদা ব্রোঞ্জ মেদল অনীদি শোয়দনা ফংলগনি। মমাংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবতা নত্তনা এসিয়ন গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদালিষ্ট লাইশ্রম সরিতানা ঙরাং থিন্নখিবা নুপীগী কেজি ৬০গী অনীশুবা বাউটকা জেক রিপব্লিক্কী এলিনা জেসিবু ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। সরিতানা মহাক্কী টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দগী বাউট অমদা কজাকিষ্টানগী বোক্সর আইজান খোজাবেকোভাবু মায়থীবা পীরম্বনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌননবগীদমক সরিতানা কজাক্সটানগী বোক্সর করিনা ইব্রাজিমোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়রিবা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী বোক্সর হৌজিক-হৌজিক রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরিবী মমাংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৫রক ওইবা ঙমখ্রবী লোয়ননা ওলিম্পিক গেমসতা ইহান হানবা ওইনা নুপীগী বোক্সিংবু মেদল দিসিপ্লিন ওইনা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবী এম সি মেরি কোমনা মহাক্কী কেজি ৪৮গী কেটিগোরিদা টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবা শান্নরোয়শিংগী মশিং য়ামখিদবদগী রিংদা বাউট অমত্তা থিন্নদনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াই এম সি মেরি কোম ইন্দিয়াগী বোক্সিং পুৱারীদা অহানবা নুপী বোক্সর অমনা এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। মহাক হন্দক্তা লোয়শিনখিবা ইন্দোনেসিয়ান য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা এসিয়ন গেমস অদুদা মশা ফিট ওইদবা মরম্না শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।

১৩শুবা ইন্টর্নেসনল সিলেসিয়ন ইন্টর্নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর রিতু গ্রিৱালনা কেজি ৫১গী কেটিগোরিদা রসিয়াগী স্বেটলানা রোসিয়াবু ৪-১গা মায়থীবা পীদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। কেজি ৬৯গী কাংলূপ্তা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী লোবলিনা বোরগোহেনসু সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। বোরগোহেননা ঙরাং জেক রিপব্লিক্কী মার্টিনা স্মোরাঞ্জোভাবু মায়থীবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর সিমা পুনিয়া (কেজি ৮১ মথক), প্যুলাও বাসুমাটারি (কেজি ৬৪) অমসুং সাসি চোপ্রা (কেজি ৫৭) মখোয়-মখোয়গী অনীশুবা রাউন্দগী বাউটশিং অদু মায়থীখিবদগী মেদল ফংবগী খুদোংচাবা লৈখিদবনি। সিমা পুনিয়াবু কজাক্সটানগা বোক্সর লজাট কুঙ্গৈবায়েভানা ৫-০দা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা বাসুমাটারিবু পোলেন্দগী নটালিয়া বার্বুসিনকানা ৫-০দা হেনখিবনি। সাসিনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী বাউট অদু ইংলেন্দগী বোক্সর এংগ্লিয়া চেপমেনগী মখুত্তা মায়থীবা নংখি।

জুনিয়রগী কাংলূপ্তা ইন্দিয়াগী রাজ সহিবানা কেজি ৭০গী কাংলূপ্তা পোলেন্দগী বোক্সর বারবরা মার্সিনকোস্কাবু ৫-০দা থোইখি। কেজি ৭৫গা কাংলূপ্তা ইন্দিয়াগী নেহানা দারিয়া পরাদাবু য়াম্না হেন্দুনা ৫-০দা মায়পাকপা ঙমখি। অদুগা কেজি ৮০গী কাংলূপ্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর কোমলনা মার্টিনা জানসেলেৱিসপু য়াম্না নক্নবা লম্বা অমদা পোইন্ট ৩-২দা থোইদুনা সেমিফাইনেল য়ৌব ঙমখি।

ইচেল ক্লব দিবোংনা এল ঈ সী-বি বাবুপড়াবু মায়থীবা পীখ্রে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএসন জিরিবাম মণিপুরনা শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপড়াদা লৈবা লমলেন কম্যুনিতি হোল কম কাংশঙদা হৌখিবা ওগষ্ট ২৯দগী হৌদুনা চথরক্লিবা ২১শুবা এন পটমা দেবী মেমোরিএল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ইচেল ক্লব দিবোংনা এল ঈ সী-বি বাবুপড়াবু মায়থীবা পীখ্রে।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদগী কাংখূৎ ৯ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ২১শুবা এন পটমা দেবী মেমোরিএল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা ঙসি ইচেল ক্লব দিবোং কাংখূৎ অমসুং এল ঈ সী-বি বাবুপড়া কাংখূৎ শান্নখি।

মেচ অদু এল ঈ সী-বি বাবুপড়ানা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা ইচেল ক্লব দিবোংনা কাং কাপ্পা হৌখি। কাংখূৎ অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাপ্পখিবা কাং অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা ইচেল ক্লব দিবোংনা এল ঈ সী-বি বাবুপড়াবু পাঞ্জল ১৫-১১দা মায়থীবা পীখি। ঙসিগী মেচ অদুদা এ ইবোতোন্না অম্পায়র অমসুং ও মঙ্গি মীতৈনা স্কোর কিপর ওইখি। হয়েং এম আই টি এল জিরিবাম অমসুং ইমা কাংখূৎ কছার শান্নগনি।

দেপ্যুটি সী এম জয়কুমারনা ১৩শুবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে

সেনাপতি, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) ঃ সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাঙথোকপা ১৩শুবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ ঙসি মণিপুরগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা হৌদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অদুগী রিখুমাই তাফৌদা লৈবা মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখিবা ১৩শুবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মফম অদুগী মেচশিং শান্নবগী লম অমদি অতোপ্পা হীরম খুদিংমক্তা অহোংবা অমদি চাওখৎপগী লম্বেলদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাংশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্না ঙাল্লিংঙৈ মতম ১৯৮০গী দিকেদ অদুদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিটেন্দেন্ট ওফ পুলিস ওইদুনা লৈরম্বা অদুদগী হৌজিক হোংলক্লিবা শক্তম অদুদা য়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

চীফ গেষ্ট ওইবগী ৱারোল অদুদা মখা তারদুনা জয়কুমারনা মফম অদুদা লৈরিবা নহা ওইরিবা মীওইশিংদা অমদি মরুওইনা শান্নরোয়শিংদা পূক্নিং থৌগৎলদুনা বেদমিন্টন মশান্না অসিদা পূক্নিং চঙদুনা মণিপুর খক্তা নত্তনা ইন্দিয়া অমসুং মালেমগী ওইবা থাক্তা শরুক য়াবা ঙম্নবা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকখি।

টুর্নামেন্ট অসি চহী ১৩, ১৬ অমসুং ১৯ মখা অমদি ৩৫, ৪০, ৪৫, ৫০ অমসুং ৬৫গী মথক্তা নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস, দবলস অমসুং মিক্স দবলসকী কম্পিটিসন পাঙথোক্কদৌরি।

ফুনাল সম্বুম য়ুথ ক্লব অমসুং চোকতোং সন রাইজ য়ুথ ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) ঃ মাইপৌ সোক্কর য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (এম এস ৱাই দি ও) না ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসন (এ এম এস এ) গী মীৎয়েং মখাদা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লুনা লাকপগুম কুমসি চহীগী ওইনা ১৮শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ফুনাল সম্বুম য়ুথ ক্লব অমসুং চোকতোং সন রাইজ য়ুথ ক্লব মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী টিম ৬৫না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী তরুকশুবা মেচ ওইনা চোকতোং সন রাইজ য়ুথ ক্লব অমসুং কক্চীং লমখায় য়ুথ ক্লব শান্নখি। মেচ অদু লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নদবদগী টাই ব্রেক তাবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা চোকতোং সন রাইজ য়ুথ ক্লবনা কক্চীং লমখায় ন্যু এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ফুনাল সম্বুম য়ুথ ক্লব অমসুং খুনিংসি এফ সী শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অনীশুবা হাফকী ৩৫শুবা মিনটতা ফুনাল সম্বুম য়ুথ ক্লবকী জর্সি নম্বর ৯ টি মোসমাইলনা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেচ অদু ফুনাল সম্বম য়ুথ ক্লবনা খুনিংসি এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

সেনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮

নুপাগী ইন্দিভিজুএল ওলেম্পিক রাউন্দ ইন্দিয়ন রাউন্দদা এফ এ সীগী ঐচ বিজেন্দ্রনাথনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএন এস) ঃ মণিপুর আর্চরি এসোসিএসন (এম এ এ) না শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী অর্চরি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৩০শুবা ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী সেনিয়র কেটাগোরিগী ইন্দিভিজুএল ওলেম্পিক রাউন্দ ইন্দিয়ন রাউন্দদা এফ এ সীগী ঐচ বিজেন্দ্রনাথনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

লমদম অসিগী মফম কয়াদগী য়ুনিট ১৭কী ইন্দিয়ন রাউন্দ ইভেন্টতা নুপা অমসুং নুপী আর্চর ৯২, কম্পাউন্দ ইভেন্টতা নুপা অমসুং নুপী ৪৮ অমসুং রিকর্ভ ইভেন্টতা নুপা অমসুং নুপী ৪৮ পূন্না আর্চর ১৮৮না শরুক য়াদুনা নুপা অমসুং নুপীগী ইন্দিয়ন রাউন্দ রিকর্ভ অমসুং কম্পাউন্দ হায়না ইভেন্ট ৩ হায়না খায়দোক্লুনা পাঙথোক্লিবা ৩০শুবা ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী নুপাগী সেনিয়র কেটেগোরিগী ইন্দিভিজুএল ওলেম্পিক রাউন্দ ইন্দিয়ন রাউন্দদা এফ এ সীগী ঐচ বিজেন্দ্রনাথনা গোল্ড, বি সী এ সীগী সী ঐচ বোরিসনা সিলভর অমসুং এস আই সী এগী টি ঐচ লানঙম্বনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী নুপীগী সেনিয়র কেটেগোরিদনা এ আর এ সীগী কুমারি সপনা সিংহনা গোল্ড, ৱাই এ সীগী পি সোনিয়ানা সিলভর অমসুং ৱাই এ সীগী অতোপ্পা শান্নরোয় এল তোমথিনঙানবীনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপাগী মিটর ৫০ প্লস ৫০গী কম্পাউন্দ ইভেন্টতা য়ু এ সীগী এম বিক্রম্না পোইন্ট ৬৯১ ফংদুনা গোল্ড, জি এ সীগী এস ঐচ রামাকান্ত শর্ম্মনা পোইন্ট ৬৮৫ ফংদুনা সিলভর অমসুং এ আর এ সীগী জি রোবার্ট শর্ম্মনা পোইন্ট ৬৭৫ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপীগী মিটর ৫০ প্লস ৫০ কম্পাউন্দ ইভেন্টতা সাই আর সীগী পি লিলি চনুনা পোইন্ট ৭০০ ফংদুনা গোল্ড, সাই আর সীগী অতোপ্পা শান্নরোয় টি ঐচ ইসেম্বীনা পোইন্ট ৬৮৭ ফংদুনা সিলভর অমসুং সাই আর সীগী এম রুপন্না পোইন্ট ৬৭০ ফংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপীগী কম্পাউন্দ ইভেন্টকী ইন্দিভিজুএল ওলেম্পিক রাউন্দদা সাই আর সীগী পি লিলি চনুনা পোইন্ট ১৩৯ ফংদুনা গোল্ড, সাই আর সীগী অতোপ্পা শান্নরোয় টি ঐচ ইসেম্বীনা পোইন্ট ১৩৫ ফংদুনা সিলভর অমসুং এ সী ঈগী এল দুলিনানা পোইন্ট ১৩৬ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপীগী কম্পাউন্দ ইভেন্টকী ইন্দিভিজুএল ওলেম্পিক রাউন্দদা সাই আর সীগী এস রাজেন্দ্রোনা পোইন্ট ১৩৯ ফংদুনা গোল্ড, জি এ সীগী এস ঐচ রামাকান্ত শর্ম্মনা পোইন্ট ১৩৮ ফংদুনা সিলভর অমসুং এ আর এ সীগী পি জগৎনা পোইন্ট ১৪২ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

১১শুবা মিষ্টর বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কন্টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসন অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা লাইনীংথৌ লম অহিংবা ফিটনেস সেন্তরনা শিন্দুনা ওইনাম এ সীগী এম এল এ লাইশ্রম রাধাকিশ্বরনা স্পোন্সর তৌদুনা কৈনৌ থোংখোং কম্যুনিতি হোলদা থা অসিগী ১৫দা ১১শুবা মিষ্টর বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কন্টেষ্ট, ৪শুবা মিষ্টর ফিজিকেল চেলেঞ্জ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, অনীশুবা মিষ্টর মেন ফিজিক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, অহানবা মাষ্টর অমসুং অহানবা ৱিমেন বিকিনি ফিটনেস বোদিবিল্ডিং কন্টেষ্ট ২০১৮ পাঙথোক্লগনি।

কন্টেষ্ট অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যাম কুমার, প্রসিদেন্ট ওইনা ওইনাম এ সীগী এম এল এ লাইশ্রম রাধাকিশ্বর, গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা কুম্বী এ সীগী এম এল এ সনসম বির, কৈনৌ জিলা পরিষদকী নিংথৌজম সমানন্দা, কৈনৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ঙাঙোম সোভানা, অম্বাগী প্রসিদেন্ট এম দিবেন, বি দি বি বি এফ এগী প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম ধনঞ্জয় অমসুং অম্বাগী লিগেল এদভাইজর (সেনিয়র এদভোকেট) ৱাই নিমোলচান্দনা শরুক য়াগনি। কন্টেষ্ট অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ১৪গী অয়ূকপুং ৮দগী ১০ ফাওবা কৈনৌ থোংখাদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্কনি। কন্টেষ্ট অসিদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াগদৌরিবশিংনা ট্রায়ল সেলেক্সন অমদি ৱেট ওনবগী থৌরম অসিদা শরুক য়াগনি হায়নসু লাইনীংথৌ লম অহিংবা ফিটনেস সেন্তরগী সেক্রেটরি কে ঐচ তোম্বা মীতৈনা খঙহল্লক্লি।

জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীনা সী ৱাই এফ সী লোবোলখাল মায়থীবা পীখ্রে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) জিরিবাম্না শীন্দুনা ওগষ্ট ৩১দগী হৌদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চথরিবা ১৪শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ (চহী ১৪ অমসুং চহী ১৪ মখা) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীনা সী ৱাই এফ সী লোবোলখাল মায়থীবা পীখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী টিম ৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ফোর এন হরিচরন ট্রোফিগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা ঙসি জে ৱাই সী জাইরোলপোকপী অমসুং সী ৱাই এফ সী লোবোলখাল শান্নখি।

মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ৩০শুবা মিনটতা জে ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৩ বোইলুন্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। সী ৱাই এফ সীগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা জে ৱাই সীনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা জে ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু লাকশিন্না শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীনা সী ৱাই এফ সী লোবোলখালবু ৪-০দা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা সেমী ফাইনেলগী অহানবা মেচতা পি এস জি অমসুং লালপানি এস সী শান্নগনি।

ওইনামনা থোংজু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : শিংজমৈ কাঙখূৎ চীংঙা-মথকনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমদি পুন্যবতিগী মীংদা হরে কৃষ্ণ অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা স্পোন্সর তৌদুনা চথরিবা ৭ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ওইনাম কেন্দ্র কাংখূৎনা থোংজু কেন্দ্র কাংখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে।

কাঙখূৎ ১৪ না শরুক য়াদুনা কাঙলুপ মরি থোক্লা খায়দোক্লুনা পাঙথোক্লিবা ৭ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি নীংশিং কাঙ টুর্নামেন্টকী লীগ রাউন্দগী নিপানশুবা মেচ ওইনা ঙসি ওইনাম অমসুং থোংজু শান্নখিবা মেচ অদু ওইনাম কেন্দ্রনা থোংজু কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৯-১৫দা মায়থীবা পীখি।

Urgent requirements for RaDiant Group

Sega Road Konjeng Hajari Leikai

(RD Grafix Building)

No. RD/HR/Recruit/2018-5
Dated: 12/09/2018

POST	SECTION	QUALIFICATION	EXPERIENCE	M/F	SALARY
Fitness Trainer	Fitness	N/A	2-3 years	M	Negotiable

POST	SECTION	QUALIFICATION	EXPERIENCE	M/F	SALARY
Driver	RaDiant Group	N/A	1-2 years	M	6,000-8,000
Helper	RaDiant Group	N/A	N/A	M	3,500-5,000

POST	SECTION	QUALIFICATION	EXPERIENCE	M/F	SALARY
Branch Manager	Finance	Graduate/ MBA	2-3years	M/F	8,000-15,000
Cashier	Finance	Graduate	1-2 years	M/F	5,000-8,000
Relationship Officer	Finance	Graduate	1-2 years	M/F	5,000-8,000

POST	SECTION	QUALIFICATION	EXPERIENCE	M/F	SALARY
Sales Executive	E-ride	12+	1-2 years	M	5,000-8,000

Interested candidate can call us @ **9774132616** or **SMS** us with **<Name><Post><Qualification><Experience>** during office hour i.e. **10:00am - 05:00pm** and have the details.

Interview on **14th Sept. 2018 from 11:00am.**

Sd/- **Human Resource (HR),**
RaDiant Group

HL-B/4808/22/8-21/9

২৯শুবা থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএন এস) : জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসন্না শিন্দুনা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ওক্টোবর ১৩দগী ১৫ ফাওবা জিরিবাম বিদ্যানগরদা লৈবা মল্টিপর্পজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ২৯শুবা থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানীংবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লৈরিবা থাঙ-তা শিন্দমশঙগী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা সব জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সেনিয়র হায়না কেটেগোরি অহুম থোক্লা খাইদোক্লুনা মশান্না ২দা চাংদম্নগনি হায়না হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসনগী সেক্রেটরি হৈক্রুজম চা বাবুনা খঙহল্লক্লি।

সরিৎ সরাৎকী ফুন কাংলোন তন্বীবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) ঃ সরিৎ সরাৎ এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা ইরমদম অসিদা লৈরিবা নুপী ওইবীশিংনা মশাগী ইকায়খুম্নবা অমদি পুন্সিদা শিংনরকপা কয়াদগী মশা ঙাকথোকচনবগীদমক্তা স্কুল, কোলেজ, খুঙ্গংশিংদা চঙশিন্দুনা পাক শন্না ইপা ইপূশিংনা থন্বীরল্লিবা সরিৎ সরাৎকী মহৈ, ফুনা কাংলোন তন্বীবগী খোঙচৎ ঙসি হৌদোকখ্রে।

হৈঙাংদা লৈবা ইবুধৌ মার্জিংগী খুভমদা এসোসিএসন অসিদা য়াওরিবা মশা শঙলেন, শিন্দমশঙ কয়াদগী লাকপা ওজাশিংনা শরুক য়াদুনা ইবুধৌগী খুভমদা ঙমজবা মৈরা কৎতুনা ইরৈপাক্কী য়াইফনবা তৌগদৌরিবা থবক থৌরম কয়াদা মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্নবা য়াইফ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইবুধৌ মার্জিংগী খুভমদা থৌনিরবা মতুং য়ুনিক মোদেল একাদেমি হৈঙাংগী স্কুলদা মহৈ তম্লিবী নুপীমচা ১০০ রোমদা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ হুমনি চথগদবা সরিৎ সরাৎকী, মহৈ ফুন কাংলোন তন্বীবা হৌদোকখি হায়না সরিৎ সরাৎ এসোসিএসন মণিপুরগী সেক্রেটরি এস ঐচ ইবোমচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

LOAN AVAILABLE
NO GUARANTOR
AREA COVER: MANIPUR STATE
TATA SUPER ACE-MINT DELIVER WITHIN 2 DAYS
> EMPLOYMENT NEWS:- HELPER(HOME) MALE 18-25yrs.
LOCAL TATA DRIVER 24-45yrs.
> PENSION LOAN (1.5%,2%,2.5% & 3%) P/M
> BUSINESS LOAN (12%)P/A
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.
HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com